# ফুটবোল শান্নরোয় ‘পেলে’ - ১

- লৈশাংথেম অজিৎ -

ফুটবোল শান্নবদা থোয়দোক হোন্দোক্লা মমীং লৈরবা “পেলে” অঙাং ওইরিঙৈদা এরোপ্লেন থৌদুনা পাইলোট ওইবা পাম্লম্মি। মহাক ১৯৫৮গী মে থাগী তাং ২৮দা অহানবা ওইনা এরোপ্লেন তোংলম্মি। মদু ব্রাজিলগী ফুটবোল তিম য়ুরোপ্তা শান্নবা চৎপদনি। প্লেন অদু দি সী ৭-সী হায়না খঙনবা মখলগী প্লেন অদুনি। এরোপ্লেন মনুংদা হেক চঙখিবগা মহাক পুঙক ঙকলম্মি, মমীৎ অনি অদু লাউনা পাংথোক্তুনা কোয়েং য়েংলম্মি। এরোপ্লেন অদুনা রেসিফে কৌবা মফমদা থাউ হান্নবা মফম অসিগী এরোড্রোমদা তাখিবা মতমদা এরোপ্লেন তাফম অদুদা মী লিশিং লিশিংনা ব্রাজিলগী তিম অদুবু উননবা ঙাইদুনা লৈরম্মি। মদুদা তিম অদুনা এরোপ্লেনদগী কুমথরম্মি অদুগা মখোয়বু হরাও তয়াম্না ওক্লম্মি। মখোয়বু ওক্লিবশিং অদুগী মনুংদা লমদম অদুগী অচৌ অশাং মমীং লৈরবা মীওই কয়ামুক য়াওরম্মি। পুং ১২ (তরানিথোই) পাইরবা মতুংদা পোর্তুগালগী কোনুং লিসবোনদা এরোপ্লেন অদু তারম্মি। এরোপ্লেন মনুংদা তিম অদুগী য়াগী দাক্তর (দেন্টিস) মেরিও ত্রায়গোনা তিম অদুবু মতম শাংনা এটলান্তিক ওসিন লাম্থোক্লবা পায়বা অদুদা মতম খুদিংমক্তা মপুক্লিং নুংঙাইনা লৈনবা হায়দুনা ফাগী তৌদুনা শান্নরোয়শিং অদুবু মরমক মরক্তা নোকহল্লম্মি। মসিগী মথক্তা মহাক্লা কুইজ তৌদুনা হায়বদি ৱাহং পাউহং তৌদুনা তিম অদুবু মমীৎ মনা শিংহল্লি। মহাক্লা ইটালিগী কোনুংগী মমীং পীয়ু হায়না ৱাহং হংবদা পেলেনা অরাকাজুনি হায়না খুল্লম্মি। তশেংবদি অরাকাজু অসি ব্রাজিলগী স্তেট অমা ওইরিবা সরজিপেগী কোনুংনি। মথংদা মহাক্লা অমুক মালেম অসিদা খ্বাইদগী চাওবা সহর করিনো, মমীং পীয়ু হায়না হংখিবদা পেলেনা রেয়জ দি সেররা হায়না খুল্লম্মি। প্লেন মনুংদা তোংলিবা মীপুম খুদিংমক্লা নোক্লম্মি। মদু য়াম্না নুংঙাইবা খোঙচৎ অমা ওইরম্মি। রেসিফে এরোপ্লেন তাফমদগী রোম ফাওবা পুং অহুম চংনা পাইরবা মতুংদা রোমদা এরোপ্লেন অদু তারম্মি।

ব্রাজিলগী তিম অদু ইউনিভরসো কৌবা অচৌবা হোটেল অমদা থনমখি। মথংগী অয়ুক্তা তিম অদু বস অমদা তোংলগা রোম সহরগী মনুংদা লৈবা ভেটিকান সহর, কোলিজিয়ম, ত্রেভি ফাওতেন্থ অমসুং ওলিমপিক ষ্টেদিয়ম ভিয়া ভেনেতোনচিংবা ইতিহাসিক ওইবা লমদম অদুগী প্রজাশিংগী মপা মপুশিংনা থনম্বা মমল য়াম্লবা ফুরা দলান্নচিংবশিং অদু য়েংহনখি। মতুং তারকপদা ব্রাজিলগী তিম অদু ইটালিগী নিংথিনা শেম শারবা চাকলেন অমা পীজখি।

ৱর্ল্ড কপকী শেম শাবা ওইনা ব্রাজিলগী তিম অসিনা ইটালিগী ক্লব অনিগা ফ্রেনলি মেচ শান্নরম্মি। অহানবদা ফ্লোরেনস সহরদা ফ্লোরেনতিনা ক্লবকা শান্নবদা মহাক্কী মখোঙ অদু হান্না অনাবা অমা লৈবা মরম্না মহাক শান্নবদা য়াওহনখিদে। তিমগী দাক্তর ওইরিবা পাওলোনা মহাকপু শান্নবা য়ানবা কন্না হোৎনদুনা নিংথিনা লায়েংবা অদু চথ্থরম্মি। অদুবু তিম অদুগী দিরেক্টর ওইনা লাক্লিবশিং অদুগী মনুংদা জোস-দে-অলমেয়দা কৌবা অমনদি মহাকপু ময়ুমদা হলহনখিবা পাম্লম্মি। মতাং অসিদা তিমগী দাক্তর অদুনা মঙোন্দা অসুম্না হায়খি, “নহাক্লা সুইদেন্দা শান্নবা পাম্লবদি ঐহাক্লা নহাক্কী খুউদা মনুংথিৎনা লায়েংগনি অদুবু খুউদা অনাবদি য়াম্না ফাওগনি।” তাউৱেল অমা ঈশিং অশাবদা থাদরগা ঈশিং অদু শৌরবা মতুংদা তাউৱেল অদু লৌথোক্লগা মহাক্কী খুকউদা থোম্বদা অনাবা অদু ফদুনা মহাক ৱর্ল্ড কপ অদু য়াওবা ফংখি।

অনিশুবা মেচতি মিলন সহরদা শান্নরম্মি। মসিদা শান্নরিবা ক্লবনা ইন্টর্নেসনেল হায়না কৌই। তিম অসিদসু পেলে বেঞ্চতা ফমহনখি। মসিগী মতুংদা তিম অদু দেনমার্ক্কী কোনুং কোপেনহেগেন্দা চৎখি অমদি মতুং তারকপদা গোথেনর্বগ তান্না পাইখি। নুমিৎ অদু জুনগী তাং ২নি অমদি নুমীৎ তরুকনি লৈরগা ব্রাজিলগী অহানবা মেচ শান্নগদবনি। ব্রজিলনা শান্নগদবা তিমশিংদি মথংশিৎনা ওষ্ট্রিয়া, ইংলেন্দ অমসুং ইউ এস এস আর নি।

ব্রাজিলগী তিম অদু গোথেনর্বগতগী খরা লাপ্লপ্না লৈ। মখোয়না লৈরিবা হোতেল অদু য়াম্না নুংঙাইবা মফমনি, মখল মখা কয়াগী চানা থক্লবা থম্মি। মফম অদুদা মখল মখা অয়াম্বা চিঞ্জাকশিং ফংই অদুবু ব্রজিলশিংনা পামজবা চাক্তি ফংলমদে। অশিল অরাংশিং অদুদা হায়জবদগী চেঙ বেগ অমা পীরকখি মদুবু মারিও অথেরিকো অমসুং কাসতিলহোনা চাক থোংলম্মি। নুমিৎ অদুদগী ব্রাজিলগী তিমনা নুমিদাং খুদিংগী চাক চাবা ফংজখি। মদুদা ব্রাজিল তিমগী শান্নরোয় অমত্তনা চাবা থকপগী মরমদা ৱাকৎপা অমত্তা তৌখিদে। ৱর্ল্ড কপ অদুদা ব্রাজিলগা অহানবা শান্নখিবা লৈবাক্তী ওষ্ট্রিয়ানি, তিম অনী অদুনা উদেভাল্লা কৌবা মফমদা শান্নখিবদা পেলে শরুক য়াবা ফংখিদে। ব্রাজিলনা পাঞ্জল ৩-০ মায় পাকখি। মদুদা পাঞ্জল চনখিবশিংদি মাজোলানা অনী অমসুং নিলতোন সন্তোসনা অমনি।

নুমিৎ হুমনিগী মতুংদা তিম অসিনা ইংলেন্দগা থেংনখিবদা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। ব্রাজিলগী অহুমশুবা মেচতি ইউ এস এস আরগা শান্নখি। ইউ এস এস আরগী তিমনা কুমজা ১৯৫২দা হেলশিনকি সহরদা পাংথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা সনাগী মেদল লৌখি। তিম অসিনা অষ্ট্রেয়া মায়থিবা পীখি অদুবু ইংলেন্দগা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। মতম অসিদা পেলেদি শান্নবা য়াওহন্দবদগী য়াম্না নিংবা কায়খি। চেকপলদগী চোংথখি। মহাক্লা খঙজরম্মি মদুদি মহাক টুর্নামেন্ট অদু হৌদ্রিঙৈ নোংমা ৱাৎলিঙৈদা শান্নবা ফংগনি। মহাক্লা সন্তোস ক্লবতা শান্নমিন্নরিবা মিদফিদরদা শান্নবা মহাক্তা হেন্না চান্নরিবা জিতোনা মহাক্কী মনাক্তা লাক্লগা অসুম্না হায়রম্মি “ঐনা খল্লি ঐখোয়গী মীৎকুপ অদু লাক্লগনি” মদুদা পেলেনা খুম্লকখি “গেম অসি করিনো, খ্বাইদগী অরুবা পোৎলা?” মহাক্লা হায়খি মদুদি মাজোলানা য়াম্নমক নুংঙাইতে মহাক্লা ঐখোয় অনীমক শান্নহনগনি। ব্রাজিলগী দেলিগেসন অদুগী লুচিংবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নাসিমেনতো কৌবা নিপা অমনা পেলেদা নহাক শেম শারব্রা হায়না হংলম্মি। মহাক্লা হায় মদুদি ফেওলানা মহাকপু মেচ অদুদা শান্নহনগদৌরি।

পেলেগী মমীং অদু ব্রাজিলগী তিমদা য়াওরকপদা মহাক য়াম্না হরাওজখি, মহাক মতম অদুদা চহী ১৭ খক্তা ঙাইরম্মি। টুর্নামেন্ট অদুগী খ্বাইদগী নহা ওইবা শান্নরোয়নি। পাউ অসি প্রেসকী মীওইশিংনা তারম্মি মরম অদুনা মরুওইবা পাউ অমা ওইরম্মি। পাউ অসি খঙদ্রিঙৈগী মমাংদা প্রেসকী মীওইশিংনা ইউ এস এস আরগী গোলকিপ্পর লেঙ য়াসিন অমসুং ষ্ট্রাইকর সিমোনিয়ানবু হেন্না মিৎয়েং চংলম্মি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মণিপুরদা এদেদ স্কুলগী অৱাবা রিপব্লিক দে থৌরমদা পনবীখিদে

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

ইন্দিয়াগী লৈমায়দদি রিপব্লিক দেগী থৌরম অসি খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌরম অমনি। মসিদা লৈবাক অসিগী চাওখৎপগী থৌরম থৌদা কয়া লাউথোক্লিবনি। কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৪ অমসুং ১৫গী অহিং নোংয়াইদা নীংতম্লবা মতুং কুমজা ১৯৫০দা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন চৎনবগা লোয়ননা জন্যুৱারী ২৬ অসিদা চহী খুদিংগী ওইবা রিপব্লিক দেগী থৌরম পাঙথোকপনা হন্দক্কী চহীসু ৭১শুবা থৌরম পাঙথোকপীখ্রে। অসিগুম্বা থৌরম অসিদা মরু ওইবা চাওখৎ খোঙথাংগী মতাংদা কয়া অমা ঙসিগী মীয়ামগী খল্লগা লৈবীরিবা ষ্টেট অসিগী সী এমনা লাউথোকপীখ্রে। অসিগুম্বা লাউথোকখিবা কয়া অদুগী মনুংদা খুঙ্গংগী অমদি চীংগী লমদা এদ্যুকেসন সেক্টর মপূং ফানা চাওখৎহন্নবা হোৎনরে হায়বা ৱাফম ময়েক শেংনা থম্বীখ্রে। অদুবু হায়রিবা এদ্যুকেসন সেক্টর অদুদা এদেদ স্কুলগী ৱাফম অমত্তা পনবীখিদে।

ঙসিগী এদেদ স্কুল কয়াদি অৱাবগী ইরোলনুংদা লুপ্তুনা লৈরি। কুইরবা চহী কয়াগী মতুংদা অৱাবা কয়া খাঙহল্লবা মতুংদা অহাঙবা পোষ্ট খরা মেনশিনবীখ্রে। হৌখিবা জন্যুৱারী ২৪, ২০২০দা ষ্টেট কেবিনেট ফম্বীদুনা ৱারেপ কয়া লৌবীখ্রে। অদুদসু হিন্দি গ্রেজুয়েট ওজা ১৪৫ লৈঙাক্লা লৌশিনবগী ৱারেপ লৌবীখ্রে। অদুবু হান্ননা হিংদুনা লৈরম্বা এদেদ সেকেন্দরিগী হিন্দি ওজা ১০০ লৈঙাক্লা কুমজা ২০০২গী ফেব্রুৱারী ৭তা ককথৎখিবা অদু হঞ্জিন্নবা চহী কয়াদগী হোৎনদুনা লাকখিবা অসিদি তাবীদবা, পনবীদবা অসি এদেদ স্কুলগী ওইনদি য়াম্নমক লাইবক থীবা অমা ওইরি।

এদেদ স্কুলদা কুমজা ২০১০গী আর ও পি পীরগনি হায়বগী ষ্টেট কেবিনেটনা ৱারেপসু লৌবীখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা অশেংবা মশক উবা ফংদ্রি। মসিসু কুমজা ২০১৯গী ওক্টোবর থাদগী ইফেক্ট তৌবীগনি হায়বা ৱাফম অমা থোরকই। অতৈগী অতোপ্পা থৌমী কয়াগীনা কুমজা ২০১৩দগী ইফেক্ট তৌনখিবনি। মসিদবু এদেদ স্কুল করম্বা মেছিন শীজিন্নরগা হিংহনবা ঙমগনি। এদ্যুকেসন ফহনবা হায়বসিদা এদেদ স্কুল পূম্নমক মুখৎলবদি করম্না এদ্যুকেসন চাওখৎলে হায়গনি। শেল য়াম্না তিংবা লন্নাইগী স্কুল কয়া ফরগা লন্নাই স্কুলদা থাবা ঙমজদবা মহৈরোয়গী মমা-মপা কয়াদি মকোক্তা মখূৎ হাপ্নরে অমসুং লন্নাই স্কুলদা কাবা ঙমজদবা মহৈরোয় কয়াগী মরাইবক করি ওইফম থোকপগে?

অমরোমদা, ঙসি মণিপুরদা লায়রবা লৈহল্লরোই হায়দুনা মীওই কয়াদা লোনগী শেন্থং অমদি মখল কয়াগী পেন্সনগী শেনফম কয়া অমা পীবিরি। অদুবু চহী ৩০/৪০ এদেদ স্কুলদা পুন্সি কৎতুনা লাকখ্রবা অহল ওইরবা ওজা খরদা পেন্সন খরতসু পীবীনবা তক্লদুনা লাকপসি চহী কয়া হৌখ্রে। ওজা কয়া লৈখিদ্রে, কয়া অমনা মমীৎ-মনা ইচোৎ চোৎনা মখূৎতা চৈশু পায়দুনা পুন্সি নুমিৎ তাবা ঙাইনরি। মসিগীসু লৈঙাক্লা করিগুম্বা খরদি খন্নফম থোকই হায়না খল্লি। ঙসিগী এদেদ স্কুলগী ওজা কয়াবু মান্নবা মীৎয়েংখাদা থম্বনি করম্না হায়গনি। কুমজা ১৯৮০দগী মদুমক্কী চহীদুগী ওক্টোবরগী অহানবা তারিখতগী অমদি কুমজা ১৯৮৬তা অমুক ফেজ অনী থোক্লা গ্রান্ট পীখিবদগী চহী ৪০ অসি য়েংবীদনা মতম মতমগী লৈঙাক্লা ঈশিং মনুংদা ইরাক্লহন্দুনা থম্লকপনি। অসুক কুইবা মতম অসিদা এদেদ স্কুল করম্না হিংবা ঙম্ফম থোকপগে। এদেস স্কুলদা ওজা ওইখিবা কয়ানা হৈবা-হৈতবা মহৈরোয় কয়া শেমদুনা লৈবাক্কী লোইশঙ কয়াদা অচৌবা থৌ কয়া পুরিবনি। পূম্নমক অসি য়েংবীরগা এদেদ স্কুলগী অফবা লম্বী অমদি ঙসিগী মীয়ামগী খনবীবা লৈঙাক অসিনা নিংথিনা লম্বী য়াৎপীফম থোকই। মপী-মপা অমা হায়বসিদি পূম্নমকপু মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংবীফম থোকই।

*অদোমগী - এম থম্বৌ*
*ককচীং খুনৌ হিজম লৈকায়*

## চীফ মিনিষ্টরগী করপসনগী ৱাফম

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

ষ্টেটসিগী চীফ মিনিষ্টরনা থবক হাপ্পা, ট্রান্সফর-পোষ্টিং অমদি প্রমোসন্দা শেল পীবা, লৌবা থিংসি হায়না ফোঙদোকপীখিবা ৱাফম অসি অসুক্কী মতিক হায়নীংঙাই লৈতনা মাস মিদিয়াগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি। চীফ মিনিষ্টরনা খল্লিবা ৱাখল্লোন অসিগুম্না লেজিসলেচরশিংনা খল্লবদি করপসন হায়বসি ইন্দিয়া অমদি মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা মণিপুর ষ্টেটনা অহানবা করপসন লৈতবা ষ্টেট ওইগনি। ষ্টেটসিগী হৌরক্লিবা নহারোল কয়াসু লাইরিক হৈনীংবগী ৱাখলোনসু লাক্কনি। লৌগে হায়বগী ৱাখল্লোন খন্দ্রবদি, পীগে হায়বগী ৱাখল্লোন লাক্লোই। লৌ-ইখ্খোল য়োনবগী চাংসু হন্থরক্কনি। লৈঙাক পায়খিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মাস মিদিয়াদা করপসনগী ৱা পল্লকপদা তাবদা নুংঙাইতে। হৌখিবা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা করসপন তৌবা য়াদে হায়খ্রগা টেন পার্সেন্ট হায়নখিবগী ৱাফম মীচম মীয়াম্না কাউনদ্রি। মাস মিদিয়াদা ফোঙখিবা এম ভি এসকী ৱাফম কাউনদ্রি।

অনৌবা লৈঙাক্কী ৱাশক লৌবা কুইদ্রিঙৈদা এন্টি করপসন সেল লীংদুনা করপসন্দা চেন্নবা মীওই খরদি চৈরাক ফংখিবগী পাউ মাস মিদিয়াদা ফোঙখ্রে। অদুবু হৌজিক মনা-মনিল নাইখিদ্রে। ওফিসরনা শেল চারবদি পিওন, চৌকিদার অমদি মখা থাবশিংসু শেল চাই হায়বসি পানখ্রিবা অমদি পাল্লিবা লৈঙাক্লা খঙনা খঙনা খঙশিন্নদবা হায়বসি লাইবক থীবনি। অনৌবা লৈঙাক অসিনা পোষ্ট খরা লৌনবগী হৌজিক হৌজিক মাস মিদিয়াদা ফোংলি। কনাগুম্বা শেঞ্জাও পায়বা, শঙ্গ-পঙ্গ লৈবনা য়োংচাক থোরকপদা লুপা চাম্মগী অনী (লায়রবনা চাবা ঙমদবা) লৈরগা চাবা ঙম্বগুম্না হায়রিবা থবক্কী পোষ্ট অদু লৈগে হায়বগী ৱাখল্লোন থাদোকহন্নীংই। লাইরিক-লাইশু হৈরবা শেল পায়জদবা লায়রবশিংগীসু খরা খন্থহন্নীংই।

পাল্লিবা লৈঙাক অসিসু হায়দোকখিবা ৱাফম ঙাক্লা চৎহন্নীংই। উতোং অহোবদা ঈশিং হৈবগী মওংদি তাহন্নীংদে। মমাঙঙৈগী অহল-লমনশিংনা হায়নখিবা, কনাগুম্বা পংগোৎ খরনা শা-ষণ ফুবা পাপনি হায়রগা, চন্দ্র-ইকু অনীগী কারক্তা কনা উদনা ষণ হোইজিল্লগা ফুবা পংগোৎকুম্না তাহনবা পামজদে। ইন্দিয়াগী মনুংদা অফবা চীফ মিনিষ্টর খনবদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনসু য়াওখিবা অদুগী মহয় ওইনা মতম শাংনা বেঙ্গোলগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা জোতি বাসুগুম্না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরসু চহী ২০গী মথক্তা পানবা ঙম্নবা, করপসনসিদগা মমি তাহনবীদবা ওইসনু হায়না তাইবঙ শেন্বা মপুদা য়াইফ থৌজাল নীজরি।

*অদোমগী - থিংবাইজম ইতোবী*
*তোপ অৱাং লৈকায়*

## হুমাং মমলদি কাউগুমসি

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

হায়নবা লৈ অহল-লমশিংগী পাউরৌদা, থবক ৱানা শূবগী হুমাং মমল লেম্না মাঙবা হৌনদে হায়না। ঐ ঐনা তৌরুবা থবক থৌরমগী মহয়দুনি ফংনরিবা। অদুবু মতমসিদদি তায়োন্নবগুম তৌরি। মতমগী অওনবা নুংশিৎনা হুম্বনরা খঙদে মীগী ৱা খঙবীদবা, মীনা তৌখিবা থবক থৌরমগী হুমাং মমল পীথোক্লীংদবা কয়াসু লৈনদবা নত্তে। মসিদা য়ূম শাবগী ওইরো, লৈঙাক্কী লোইশঙগীবু ওইরো, থিকাগী থবক অমদি অতৈ থবক্তা চিলহাও থিদনা ৱাবা খঙদনা শূরিবা শিন্মী কয়াগী পুন্সিবু মীরাইবীবা হায়বসি অচুম্বদি ওইরোই খঞ্জে।

অয়ূক-নুংথিল, নোংজু-নুংশা নাইদনা শূ-নোমদুনা হিংজবা কয়ানি। অদুবু ইপা-ইপুগী ৱাহৈদা অৱা মচা লেম্না মাঙদে, নারগা ৱাই হায়নবসু লৈরি। ইপুম থিৎপমখৈ শূরগা খূৎশুমলনা হৈক্রু মনাদা য়োম্লগা পীবা, মসিসু মতম চানা পীফম থোকপা খূৎশুমল পীবীদবা কয়ানি। অদুগা মীওইবা হায়বসি অনা-অয়েক য়াওরগনা লায়েংবগী হীদাক লৈবদা কোন্নদবা, খূৎশুমন খজিক্লা ইমুংগী মতেং ওইনবা খন্দুনা শূজবা কয়ানি। অদুবু শূবমখৈ শূরগা চফুদা মিরাং থুবগুম কোঞ্জেং কোকফাইনা নোম্বমখৈ নোম্লগা মনমদা মরূম থুই হায়নবা ওইনা থোকপা পুন্সি কয়াসু লৈরি।

মসিদা মীনুংশি লৈবা লৈতবা, শেন্নি শারিবা থবক্কী মপু অমদি লৈঙাক্কী লোইশঙ কয়াদসু খূৎশুমলগী ৱাকৎ কয়ানা নিন্নবা য়াওনরি, অদুগা মশাগীতা খনবা কনাগুম্বা খরদি শিন্মীবু ৱানা থবক শূহল্লগা খূৎশুমল পীনীংদবসু য়াওরি। শিন্মী ওইবা কনানা খূৎশুমল ফংবা মতম য়ৌবদা পূক্লিং হরাওজবা হায়বসি হৌনশানি অদুবু মসিদা ৱাজবগী খূৎশুমল পীবিদ্রগা করম্বা থম্মোয়নো নুংঙাইগদবা? অদুনা থবক শূরিবা মীগী হুমাং-মমলদি পন্থদনা পীথোকপীবনা অফবা ওইগদ্রা খঞ্জে। থবক শূবগী খূৎশুমল পীরোইদৌবা লৈরগনা থবক শূহনবগী ৱাহন্থোক্লা করিনো হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং ওইরি।

শিন্মীদি শিন্মীনি অতৈ অতৈ থবক থৌরমগা লোয়ননা চপ মান্নে। শিন্মীদা পীরিবা ৱাবা অসুম্না ঐখোয়না থবক শূবদা থোক্লবদি করি ওইগনি খন্থবীফম থোকপ্রা খল্লি। শিন্মীগী রাইট লৈহননা ফংফম থোকপা অৱামল পীবিরগা হরাওনা হঞ্জনখিবা অদুনা অফবা ওইগদ্রা খঞ্জে।

নাকল অমরোমদা মী শিনবা চিকপা নত্তবা ফমুংদা লৈবা মা-দি ঐখোয়না তূম্বা য়াদে হায়দুনা ফা ফাদুনা হাত্তোক্লি অদুগা মীনা মীবু মাঙহন্নবগী মশক ওইরবা শিবসু শিরিবা ময়াই কাবা পোৎলম কয়াদি লমদমসিদা পুশিল্লক্তুনা ঙাওজবা, নুংঙাইজবা পামজবা মীওই কয়াদা য়োন্দুনা করবার তৌরি। মসিনা মীওইবদা য়াম্না ফত্তবা মহিক মখল কয়া শন্দোকহল্লি। মসিগুম্বা মহিক পুরক্লিবা কয়া অসি ঐখোয়না য়োক্তুনা থম্বগুম্না তৌরি। ইচা, মীচা, শাগৈ-নাতৈ য়েংদনা ইরমসে ঈং-তপ্না পানবা ঙম্নবা মহিকশিং অসি মা ফাবগুম্না ফাদোকপনা ফগদ্রা খঞ্জে। হুমাং তানা থবক শূনীংদবা, নুংঙাইনা শেল তানবদা শিবা-চংবা নাচুংদনা শিল্লম ওইদুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক লল্লোনবনা হৈনবী ওইরিবশিং মরূ ফুক্লা মাঙহনগদবনি। অসিগুম্বা কয়াসি খঙনা উনা থাদোক্লদবা হায়বসিসু পুন্সিবু শান্নপোৎকুম খঞ্জবা মীশকনি হায়বদা লাল্লোইদ্রা খঞ্জে। অদুনা মীনা মীবু শিনবা পুশিল্লক্তুনা চিক্লিবা মহিক অসিবু মা-গুম্না ফারগা অহকপা চৈরাক পীবদা করি অকায়বা লৈবগে?

মীনুংশি য়েংনা লৈরিঙৈ হেন্না হেঞ্জিল্লকপনা লমদমসি ৱাথোক লাম্থোক ক্রাইম কয়ানা মীচম মীয়াম, লৈঙাক মপু য়াওনা কোক চিকপা, পূক্লিং লৈতাফম খঙদবা য়াওরকই। অদুনা অমবু ওইরো অমবু ওইরো পূম্নমকসি ৱাখল খন্থনদুনা হুমাংগী মমল কাউগুমসি। ফত্তবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক মুখৎনবা হোৎনবদা অমগা অমগা তেংবাংনদুনা ইরমদমসি নুংশিননা অমুক্তং ঈং চিক্লা লৈপানবা ওইহল্লসি হায়জনীংই।

*অদোমগী - তবানু খুরাইজম*
*ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়*

## নিংথি নুংঙাইনা হায়নীংদে

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

ঐ খঙদে, মী খঙদে মরালনা মপোৎ ফারবশিংসিদি ফংগদৌরিবা চৈরাক্তু অদুমক ফংহনবদা মসিদা কনা অমত্তনা পেন্দবা লৈররোইদবনি। ৱাবনা শোরারেন কৈরাক থাগে খল্লম্বদা ঙসি তৌগে, হয়েং তৌগে হায়দুনা য়ৈথোক-য়ৈশিন তৌদুনা লৈবদা তৌবা ঙমদনা শিবনা হানবগুম তৌগদবা থবক্তি য়ৈথোক-য়ৈশিনগী থৌওংসিমদি তৌদবা খ্বাইদগী ফরবনি। মীনা মীবু হাৎলগা মী হাৎলিবা মহাক্তুনা তাইবঙ পানবসিদা হিংখিগনি হায়দুনা মথম্মোয় কনবা মখৈ ... মসিমক মীহাৎপনি হায়না খঙবা নুমিৎ অদুদগী নমদনা অফা-অপূন তৌদনীংঙাই লৈরোই। জেলদা লৈগেরা? শিবগী চৈরাক মায়োক্লরিবা ফাদোক অমা ওইগেরা? মহাকমক্লা খন্দৌরিবসিবু করম্বা ৱাখল ওইদৌরিবগে?

মহাও ফজনা লৈবা চাক-এঞ্জাং চাদুনসু হাওফম খঙদনা তোক্কদৌরিবনি। নিংথৌগী লৈঙাক ফজনা নংহৌবা চহী য়াম্লবা মীওইশিংগী ৱারীদা নিংথৌনা পীবা চৈরাক কৈদৌনুংদা য়ৈথোকপা য়াদনা অদুমক ফংনবনা মশীং অয়াম্বনি। ফংগদৌরিবা মতমদুগী চৈরাক অদুবু কিবনা মহাপ্রলয়নি। মতমদুগী ৱারীদুদদি নিংথৌ হায়বসি অনীশুবা লাইনি হায়নরিবনি।

মতম অদুদা নিংথৌনা ঙমদবা লৈতে। মপুরোইবা লৈরবা নুপী ফাওবা মপুরোইববু অঙাং ওলহল্লগা... মসিমক ঙসি ফাওবা ৱারী লৈনরিবনি। মতমদুগী মীয়ামনি হায়দুনা লৈরম্লিবা পূম্নমক নিংথৌবু কিদবা লৈরম্বা নত্তে। মীহাৎপা, নুপী অঙাংদা নত্তবা মীৎয়েং কারন চনবা, মীগী মপোৎ হুরানবা, লন থুমগী হাৎন-শুনবা... পূম্নমক লৈরমদুনসু হৌজিক্কী তৌনরিবা থৌওংসিগুম্নদি তৌনরম্বা নত্তে। মসি থেংনহৌবা অহলশিংনা হায়বগী ৱারীনি। পথাং-পুথাংদগী চৎনরকপা ময়াম অমা লৈরম্বা ওইদুনসু কয়া অমদি মমি শামখ্রে হায়বদা অচুম্বা হায়বদু ওইরবনি।

ইপা-ইপু হাত্তংত্তংগী চৎনরকপা কয়া অমা ঙসিগী মীরোলসিনা নীংশিংনবগী হৌদোকপা ফত্তে করম হায়গনি। অপাম-অপাম্বদা থিংবীনবা লৈত্রবা, তৌরিবা থবক অদুনা ফরে খঞ্জবা মীগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপসিনা মথেল ময়াম হেনগৎলকপা লেপ্পা লৈতনা লৈখিদৌরিবনি। মতম অমদদি অপঙ-অশিং কয়া অমা লৈদুনসু মথক থোংবা মীওই অমনা ঙাঙবা শকপদা ওনখৎতুনা খুমগনি হায়বগী ৱাখল লৈনরম্বা নত্তে।

হৌজিক্কী মীরোলসিগা য়েংনবদা ওন্থোক্লা খেন্নবা হায়বদু ওইরবনি। মাবু হেক পোকচবা মমা-মপানা মচাগীদমক ফনবা হায়বদা মচা ওইবা মহাক্লা ওনশিন্দুনা চিন্দা পাওদানবগী থৌনা, পাঙ্গল লৈরকপা মসিবু তৌদেদা করম হায়গনি। লমচৎ শাজৎতা অহোংবা ময়াম অমা লাকপা মরম্না ঙসিদি করি থোক্লবা? লমচৎ, থকসি-খাসি লৈত্রবা মফমদা অচুম্বগী মহুত্তা অরানবা থবক্লা মশীং অদুমক হেল্লমগদবতনি। মসি পুংহায় হায়জিনবা য়াবা নত্তে।

চৈরাকসিদি মচি মরুমদা তৌগদবগী শরুক মীয়াম তিনবা মফমদা মকা লাম্না পাঙথোকপা উরিবা, য়েংলিবা মীওইশিংগী ৱাখল ফত্তেদা হায়বা অসিমা খঙদনীংঙাই লৈরোই। য়াম্না লুবা অমনা হৌজিক্কী মতমসিদা লৈশাবীনি, মৌনি হায়বা করম্না করিদা খঙনরিবগে? মৌগী শীংদা চল্লবী নুপী ওইবীশিংদি লাইবক্কী শরুক্তা সিন্দুর... মৌগী শীংদা চল্লবীনি খঙবা মসিমা অনৌবা নত্তনা ফুরুপ খরদদি লেংদনা লৈরিবনি। ঐখোয়গী ওইবা চৎনবী ময়াম অমা লৈরমদুনসু মরেক-মহাও ইথোক থোকপা ঙমদনা করম্বা ময়ানা, করম্বা মন্ত্রনা থমাইখ্রবনো ৱাখল তাদনা অদুমক থেংনদুনা নুংশিনরুরগা মচা লৈবী, মপামদা হল্লক্তুনা লৈরবী ওইরম্বা, পাখঙনি হায়দুনা চেন-চোংলবা মতুংদা মচা লৈবা ওইরম্লবা পূম্নমক ঙসিদি চৎনবী অমা ওইনা তপ্না -তপ্না চৎনখৎলকপগুম তৌরবনি।

চহী খরগী মমাঙদা য়াম্না কন্না চৎনবা ওইরমদ্রবসু হৌজিক্কী মোবাইল ফোন লাকপদগী কাখল খরদি হেনগৎলবনি। চৎনরম্বা ময়াম অমা তৌদবা য়াদবদৌনা নীংশিংবা ওইনবা তৌনখৎলকপা ফত্তবা নত্তে। চৎনরমই হায়দুনবু হৌজিকপু চক্রি তক্তুনা, ফৌ শূদুনা নোংমগী ওইবা চারা তাল্লুবা য়াবা নত্তে। মমিৎ খুমদুনা কুলুদা থাও শুম্নবা হোৎনরম্বা, মমিৎ খুন্নিবা ষণদুনা মকোক ঙাওবা মখৈ হুরু-হুরু লৈহন্দুনা অশেংবা হঙ্গাম থাও ফংনবা হোৎনরম্বা পূম্নমক কদায়দা লৈখ্রবা? কদায়দা চৎখ্রবা? লৌবুক্তা ষণনা ষণপোৎ খোইদুনা লৌউ-শিংউবগী থবক থৌরম কয়া তৌরম্বা পূম্নমক ইঞ্জিন পানবা ঙাক্তনা পূম্নমক শোয়দনমক্কী ষণগী থবকসিমদি উদবসু কনানা খঙবা।

হৌজিকপু ষন্থি কদায়দা ফজনা ফংলিবগে? মতম অমদদি বোড়া অমা পুদুনা লৌবুক-লম্ফাংদা চৎতুনা থিবদা ষন্থি অকংবা ফনা নিংথিজনা ফংলম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি কদায়? তৌনদ্রবা থবক ময়াম অমা কন্না চৎনখৎলকপা মসিসু অফবগী লম্বীদি নত্তবনি। ফত্তবগী লম্বীদা শিংলি-পাবল থোকপমখৈ...। হুমাং থোক্লা শূগদবনি, নোমগদবনি হায়বা মতমসিগী য়াওলসিগা খরা চানফাৎতবা ওইনা উরবনি। চহী খরগী মমাঙদা লম্ফাং-তুমহাংদা অথেংবদা চৎলুবদা শোয়দনা তম্নবা লাই, ভুট, প্রেক থেংনগনিকো হায়নরম্বা পূম্নমক মনিল ওইনা পাইখিদুনা তম্নবদি লায়রদুনা চেক-মুক লাউদ্রবনি।

তম্নরাইশিংদুগী মহুত্তা মাংশোক ফমেন ফমদুনা ৱারক্তবা মীওইশিংনা মহুৎ শিনখিদুনা মচন-মচে ফাওবা মশক খঙলক্ত্রবনি। ফৎত্রবা মচা ঙাক্তনা মশীং য়াম্লক্কদৌরবনি। মতমনা পুরকপা ফনা য়াম্না ওইদুনসু নামুংবা থবক্তি নকশিনবা ফাওবা নক্করোইদবনি। মৈবু ফজনা শাবনি খঙবা তাইবঙ মীওইবা অমত্তা চেগপ লৈনা লৈনা মখূৎনা অশাবা মৈদুবু পায়বা কনাসু য়াওরোই। চৈরাক কিরবা মদুদা ওইরক্কদবা পূম্নমক মাঙজৌননা খন্থরবা করিগীদি হিংচা-য়াইতম্বা, মীকি লাইকিদবা ওইরম্লবসু ওইররোইদবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।